
# ইন্দিয়াগী মার্স ওর্বিটর মিসন রেদ প্লানেট অদু ওর্বিটতা থবক তৌরকখিবা চহী ৪ মপূং ফাখ্রে



***শ্রীহরিকোতা, সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ***
মার্স ওর্বিটর মিসন (এম ও এম) হায়নসু খঙনবা অহৌবগী ওইনদি থা ৬ লোমগী মতম খক্তমক থবক তৌবা ঙমগনি হায়না খন্নখিবা ইন্দিয়াগী মার্স প্লানেটতা থাবা মিসন–'মিসন মঙ্গল্যান' অদু প্লানেট অদুগী ওর্বিটতা থবক তৌরকখিবা চহী ৪ মপূং ফাখ্রে।

ওর্বিটর মিসন অদু হৌজিক ফাওবা এক্টিভ ওইরি অমসুং রেদ প্লানেট অদুগী শিজনগী ওইবা তোঙান তোঙানবা মওংশিং অদু মার্সিয়ান চহী ২ চূপ্পা য়েংশিল্লকখ্রে।

অহানবা হোৎনবদা মার্স প্লানেট য়ৌবা ঙম্বা অহানবা লৈবাক অদু ইন্দিয়ানি। ওর্বিটর অদুদা পুখিবা পেলোদ ৫ অদু থবক ফজনা তৌরি হায়না ইশ্রো (ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন) ওফিসিয়েল অমনা হায়রি।

মার্স প্লানেটতা থাবা অহানবা ইন্দিয়ান মিসন অদুগী মরু ওইবা পান্দমশিংগী মনুংদা অমদি ইন্টরপ্লানেতরি মিসন অমগী দিজাইনিং, প্লান্নিং, মেনেজমেন্ট অমসুং ওপরেসনশিংগী মথৌ তাগদবা টেক্নোলোজিশিং অদু পুথোকপনি।

মার্সকী লৈমায় ইক্সপ্লোরেসন তৌবগী সাইন্টিফিক পান্দমশিংদি ইন্দিয়া মশানা শাজবা সাইন্টিফিক ইন্সত্রুমেন্টশিংনা প্লানেট অদুগী ঈশিং–নুংশিৎ, মিনরেল, মোর্ফোলোজিনচিংবা খঙনবনি।

লুপা বিল্লিয়ন ৪.৫০ মিসন অসি শ্রীহরিকোতাদা লৈবা সতিশ ধৱন স্পেস সেন্টরদগী নভেম্বর ৫, ২০১৩ পি এস এল ভি–সি২৫ রোকেটনা থাগৎখিবনি।

নুমিৎ ৩০০ নিগী মনুংদা কিলোমিটর মিল্লিয়ন ৬৬০ হেন্না লাপ্পা পাইখ্রবা তুংদা ওর্বিটর অদুনা ২০১৪ গী সেপ্টেম্বর ২৪ দা মার্স ওর্বিট মনুংদা লানশিনখি।

মার্স ওর্বিটর মিসননা মার্স কলর কেমেরানা পিকচরশিং লৌরি অমসুং ইশ্রোনা মার্সিয়ান চহী ২ প্লানেট অদুগী শিজনগী খেন্নবশিং য়েংবা ঙম্লে হায়না ইশ্রো ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

ইশ্রোনসু প্লানেট অদুগী শক্তম কয়ামরুম য়াওবা মার্স এটলাস অমা থাদোরকখ্রে। হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ান অমসুং ইন্টর্নেস্নেল সাইন্টিষ্টশিং থৱায় পানবশিং লৈ হায়বগী খুদম ওইবা য়াবা মিথেনগী ট্রেসশিং লৈব্রা হায়না দাটাশিং অদু এনালাইসিস তৌই।

স্পেসক্রাফ অদুনা কন্টিজেন্সি অমসুং ওর্বিট করেক্সনশিংগীদমক য়ামদ্রবা ফুয়েল কেজি ১০০ পুখি অমসুং ফুয়েল অদু হৌজিকসু মরাং কায়না লৈরি।

মার্সকী ওর্বিটতা ইন্দিয়াগী মার্স ওর্বিটর মিসন অদু অসুক মতম শাংনা লৈবা ঙম্বগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমদি য়ামখ্রবা ফুয়েলশিং অদু মাঙহনবা তৌদনা ইশ্রোনা মেনোভরশিং তৌবা ঙম্বদগীনি।

হৌজিক ফাওবদা স্পেসক্রাফট অদুনা সাইদিং স্প্রিং কৌবা কোমেট লাম্থোকপা ঙমখ্রে, মাগী বেতরিশিং শিহনখিবা য়াবা অশাংবা ইক্লিপস অমা থৈদোক্তুনা লাকপা ঙমখ্রে অমসুং ২০১৫ গী জুনদগী জুলাই ফাওবা থা ১ গী মতম সোলর কনজঙ্কসনগী মরমদগী কম্যুনিকেসন ব্লেকআউট তৌগদবদু তৌহনখিদ্রে।

সোলর কনজঙ্কসনগী থা ১ গী মতম অদুদা মার্স ওর্বিটর মিসননা গ্রাউন্দ কম্মান্দ নৎত্রগা ইন্টর্ভেনসন অমত্তা য়াওদনা মশা মতোমতা কম্মান্দ তৌজখি। মতম অশাংবা ইক্লিপস অদু ওর্বিটরনা পাইরিবা লম্বী পরীং অদু চুমথোক্লগা থৈদোক্লকখিবনি। মদুনা মরম ওইদুনা ইক্লিপসকী মতম অদু শাংলবদা পূং ৮ দগী ০ দা হন্থহনখিবনি।

ইশ্রোনা হৌজিক মার্স প্লানেটতা হেন্না লূম্বা সাইন্টিফিক পেলোদশিং হাপ্পা হান্নদগী হেন্না চাওবা স্পেসক্রাফ্‌ট অমা থাগৎখিনবা থৌরাং তৌরি।

# খৌরী চরমদা থাঙ থন্নগা য়ু এস কা ললোন–ইতিক্কী ৱারী শান্নরোই ঃ *চাইনিজ ভাইস মিনিষ্টর*




***বৈজিং সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ***
কনাগুম্বা অমগী খৌরী চরমদা থাঙ অমা নমদুনা থম্বগুম্না ৱাসিংতননা তারিফশিং থমজিল্লগা ললোন–ইতিক্কী ৱারী শান্নসি হায়দুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হায়রিবদু ওইথোক্লিংঙাই লৈতে হায়না ঙসি চিনানা হায়খ্রে।

চিনানা শাবা দোল্লর বিল্লিয়ন ২০০ গী পোৎ–চৈশিংদা ৱাসিংতননা তারিফশিং লৌবা হৌখিবগী নোংঙানবদা ৱা ঙাংবদা চিনাগী ভাইস কম্মর্স মিনিষ্টর ৱাং শৌৱেননা নেগোসিয়েসন তৌনবগীদমক চিনানা থোঙ হাংই অদুবু নাকল অনীমক্তা অমনা অমবু শোয়দনমক চপ মান্নবা থাক অমসুং ইকায়খূম্নবগা লোয়ননা লোয়নগদবনি হায়খি।

হৌজিক য়ু এস না অচৌবা চাংগী ললোন–ইতিক্কী অথিংবশিংগী মখল অসি চথখ্রে। মখোয়না কনাগুম্বাশিং মখৌরি চরমদা নমদুনা থন্নি। ফিভশিং অসিগী মখাদা নেগোসিয়েসন করন্না চত্থগদৌরিবনো হায়না পাউগী মীফম অমদা ৱাংনা হায়খি।

য়ু এস ট্রেজরি সেক্রেটরী ষ্টেভেন মনুচিননা অনৌবা ৱারীশিং শান্নবদা চাইনিজ ওফিসিয়েলশিংদা বার্ত্তন তৌরকখি অদুবু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মকন্থি ফুদোক্তুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ২৬৭ কী পোৎ–চৈশিংদসু তারিফ লৌনবা থৌরাং লৈরে হায়না ৱার্নিং তৌখি। মাগী ৱাঙাং অদুনা ৱারী শান্নবগী হোৎনবা পূম্বা থুগায়খিবনি।

আগষ্ট থাদা চাইনিজ ভাইস কম্মর্স মিনিষ্টর ৱাংনা য়ু এস ওফিসিয়েলশিংগা উন্নখি অদুবু মালেমগী মকোক থোংবা ইকোনোমিজ অনীগী মরক্তা থা কয়ামরুম অৱাংবা থাক্কী উন্নবশিং অমত্তা পাঙথোকখিদ্রে।

মকোক থোংবা ইকোনোমিক জাইন্ট অনীগী মরক্তা ললোনবগী লাল অসি তপ্না তপ্না হেনগৎলকপগী য়ু এস না অনৌবা তারিফ অনীরক থোক্লা থমজিল্লকখ্রে। মদু হৌজিক্তি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থাদোক্লকপা চিনাগী এক্সপোর্টশিংগী তঙ্খায় অমরোম ওইবা য়ারবা দোল্লর বিল্লিয়ন ২৫০ গী পোৎ–চৈশিংদা চৈথেং ফংলগনি।

চিনানসু য়ু এসনা তৌরক্লিবা খোঙথাং খুদিংমক্কী পাউখুম পীদুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ১১০ গী য়ু এস কী পোৎ–চৈদা তারিফ লৌখৎখি। মদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী চিনানা লৈরিবা খুদিংমক য়াওরবগুম্বনি।

# সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা অযোধ্যাগী রাই পীরবা য়াই



***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ***
লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ অসিদা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েল শঙ–সুপ্রিম কোর্টনা অযোধ্যাদা লাইশঙ অমা শাগদ্রা নৎত্রগা শারোইদ্রা হায়বগী ফল তাহনগদবা মরু ওইরবা রাই অমা পীরবা য়াই।

মসি চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া দিপক মিস্রানা থবক থাদোক্লিঙৈগী মমাঙদা পীবা মহাক্কী অরোইবা রাইশিংগী মনুংদগী অমসু ওইরি।

কুমজা ১৯৯৪ দা সুপ্রিম কোর্টনা নমাজ হায়বসি অমদা হেক্তা তৌবা য়াই অমসুং মসিগীদমক মোস্ক অমা মথৌ তাদে হায়খি। মরম অদুনা গভর্ণমেন্টনা মথৌ তারবদি লম অদু লৌরগা মদুদা মোস্ক অমা শাবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুবু হৌজিক মুস্লিম পার্টিশিংনা মদুগী রাই অদু মখোয়দা চুমদবা ৱায়েল অমনি অমসুং মদুগী ৱায়েল অদুনা অযোধ্যাদা য়েৎনরিবা লম অদুদা এলাহবাদ হায় কোর্টনা ২০১০ দা শরুক অহুম থোক্না মচেৎ–মচেৎ খায়দোকখি। কোর্টনা লম অদুগী মরু ওইবা শরুক অদু হিন্দুশিংদা পীরবসু হিন্দু অমসুং মুস্লিম পার্টিশিংগী মরক্তা মচেৎ অনী থোক্লা খাইদোকখি।

১৬ শুবা চহীচাগী মোস্ক অমা ওইরিবা বাব্রি মসজিদ অদু করসেবক নৎত্রগা রাইট–ৱিং ভলন্টিয়ার লাক্ষ কয়ানা ১৯৯২ দা থুগাইখি। মখোয়না মফম অদু রামগী পোকফমনি। মরম অদুনা রামগী লাইশঙ শাগদবনি হায়খি।

মফম অদু শরুক অহুম থোক্লা খাইদোকপা এলাহবাদ হায় কোর্টকী রাই অদু হিন্দু অমসুং মুস্লিম অনীমক্না সুপ্রিম কোর্টতা শীংনরকখি।

নমাজগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী ১৯৯৪ গী রাই অমা তাঙ্কক অসিদা শীংনদুনা মুস্লিমশিংনা অযোধ্যাগী মতাংদা মরু ওইবা কোর্ট হিয়ারিং মতম থেংথহনবা পাল্লি। মরমদি কেস অদুদা মখোয় মায়থিরবা য়াই খঙঙী হায়না হিন্দু পার্টিশিংনা হায়রি।

# রেপ তৌনবা হোৎনবা নুপা ৪ গী খূৎতগী নাম্থোক্তুনা চেল্লকখ্রে

***গ্বালপরা, সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ***
অসামগী গ্বালপরা দিষ্ট্রিক্টতা নুপা ৪ না ফারগা উমংগী মফম অমদা পুরগা রেপ তৌনবা হোৎনবদগী নুপীমচা অমা নাম্থোক্তুনা চেল্লকখ্রে হায়না পুলিসনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ১৫ শুরবী লৈশাবী মচা অদু কাম্পোর বাজার এরিয়াদা ট্যুসন চৎপদা মখোয় ৪ না সেপ্টেম্বর ২০ দা ফাখিবনি। অদুম ওইনমক লৈশাবী মচা অদুনা মখোয়গা ফুনখি অমসুং নাম্থোক্তুনা চেল্লকখি। মহাক্না লাওবা খুঞ্জাশিংনা তাবদগী খুঞ্জাশিংনা মহাকপু কনখি অমসুং মাগী ইমুংদা পাউ পীখিবনি।

চেন্নরিবা মীওই ৪ অদু নোংমাইজিংগী নুমিদাংদা ফাখ্রে।

# নখোয়না লৈখোম হেন্না চাইশিল্লিমখৈ থম্বালশিং মশীং হেন্না–হেন্নদুম শাৎকনি ঃ *প্রাইম মিনিষ্টর মোদি*




***ভোপাল, সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ***
লৈবাক্কী দিভলপমেন্টকুম্বা হীরমশিংগী মতাংদা দিবেট তৌনবদগীদি কংগ্রেসনা হেন্না লায়না থোকপা গভর্ণমেন্টকী মথক্তা লৈখোম চাইশিনবগী থৌওংলোমদা চত্থরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা চহী ১২৫ শুরবা পার্টি অদুনা হৌজিক এলায়েন্সশিংগীদমক অপীকপা পার্টিশিংদা ভীক্ষা নিবা চৎলি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা কংগ্রেসপু করেন্নখ্রে। কংগ্রেসনা মখোয়গী খোঙলোয়শিং ফংলবসু মদুগী কোলিসন অদু মায় পাক্লোই হায়না মোদিনা হায়খি। মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্টনা লৈবাক্কী মীপূম খুদিংমক্কীদমক সোসিয়েল জষ্টিসতা থাজে। গভর্ণমেন্ট অসিগী 'শবকা শাথ, শবকা বিকাস' পূন্নমক তেংবাঙনবা, 'পূন্নমক চাওখৎমিন্নবা' হায়বা কেম্পেন অসি শুপ্নগী শেমজিন শাজিনবা খোল্লাও অমা নত্তে।

মধ্য প্রদেশতা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলদা লোয়ননা মথং চহীগী লোক সভা মীখলদা বি জে পি না মায় পাক্কনি হায়না মহাক্না থাজবা ফোঙদোকখি।

মখোয় (কংগ্রেস) না লৈখোম পায়দুনা লংশিনবগী থৌওং চত্থরি। মরমদি মদু তৌবনা মখোয়দা লায়। অদুবু ঐনা মখোয়বা হায়বা পাম্বদি মখোয়না লৈখোম হেন্না লংশিল্লিবমখৈ থম্বাল (বি জে পি গী সিম্বোল) হেন্না শাৎকনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

মহাক্কী ৱাফম অসি রাফেল ফাইটর দিলদা কংগ্রেসনা শিরক্লিবা করপসনগী মরালশিং অদুগী মতাংদনি।

বি জে পি চীফ অমিত সাহ অমসুং মধ্য প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহানসু য়াওবা রেল্লি অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীখল অসিদা মায়থিবা কিবদগী ওপোজিসন পার্টিশিংনা 'মহা–গথবন্ধন' (গ্রান্দ এলায়েন্স) অদু শেম্বনি হায়খি। হৌজিক কংগ্রেস পার্টি অসি লৈবাক্কী পোৎলুম অমা ওইরক্লে। পোৎলুম অসিদগী লৈবাক অসিবু কনবা হায়বসি বি জে পি ৱার্করশিংগী থৌদাং অদুনি হায়খি।

# কান্নারা এক্টর রাজকুমার ফাখিবা বীরাপনগী মীওই ৯ থাদোকখ্রে

***এরোদ, সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ***
মীয়াম্না কিনরবা বীরাপননা লৈখিদ্রবা কান্নারা সুপর ষ্টার রাজকুমারবু ফাখিবা অদুগী চহী ১৮ গী মতুংদা মদুদা চেন্নবা বীরাপনগী মীওই ৯ অদু ঙসি গোবিচেত্তিপলায়মগী থার্দ এদিস্নেল সেসন্স জজ মণিনা মতীক চাবা প্রমাণ ফংদ্রে হায়না থাদোকখ্রে।

কুমজা ২০০০ গী জুলাই ৩০ দা বীরাপন অমসুং মহাক্কী খোঙলোয় ১৪ না এক্টর রাজকুমারবু তামিল নাদুগী ধোদ্দা গজানুরে খুলদা মাগী ফার্ম হাউসতগী নোংমৈ চিন্দোন্দা ফাখিবনি।

এক্টর অদুবু ৱেষ্টর্ন ঘাটতা পাক চাওনা শন্দোক্তুনা লৈরিবা অশুকপা জঙ্গলশিংদা নুমিৎ ১০০ নিরোম হেন্না ফাদুনা থমখি। অসুন্না মহাকপু ফাখিবা অদুদগী তামিল নাদু অমসুং কর্নাতকাগী মরক্তা উংখৎনহনখি অমসুং ষ্টেট অনীগী মরক্তা লৈনবা মরীশিং অদু হেন্না শোকচিনহনখি।

নুমিৎ ১০৮ গী মতুংদা বীরাপননা মহাকপু থাদোক্লকখিবনি।

# চাইনিজ ফার্মগা তৌনখিবা দোল্লর বিল্লিয়ন ২.৫ গী হায়দ্রোপৱার দিল নেপালনা অমুক হন্না হিংগৎহল্লগনি



***কাথমন্দু, সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ***
নেপালদা হৌজিক লৈরিবা বৈজিংগা য়ান্নবা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা চিনাদগী পাক–চাওরবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগীদমক ইনভেসমেন্ট ফংনবা হোৎনবগা লোয়ননা নেপালগী হান্না লৈরম্বা গভর্ণমেন্টনা ককথৎলম্লবা দোল্লর বিল্লিয়ন ২.৫ কী হায়দ্রোইলেক্ট্রিক প্লান্ট অমা শানবা চাইনিজ কম্পেনি অমগা তৌনবা দিল অমা নেপালনা অমুক হন্না হিঙ্গৎহল্লগনি হায়না ঙরাং ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নেপালগী খ্বাইদগী চাওবা হায়দ্রোইলেক্ট্রিক প্লান্ট শানবগী চিনা, গেঝৌবা গ্রুপ কোর্পোরেসন (জি জি জি সি) গা তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অদু হৌখিবা চহীগী অথেংবদা জেনরেল ইলেক্সন অমগী শুপ্নগী চয়োল খরগী মমাঙদা ফম থাদোক্লগদবা গভর্ণমেন্ট অদুনা ককথৎলমখিবনি। এগ্রিমেন্ট ককথৎনবগী ৱারেপ অদু করিগুম্বা মরম অমত্তা য়াওদনা লৌখিবনি হায়না নেপালগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর গোকুল বাস্কোতানা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

নেপালনা অসিগুম্বা কেপাসিটিগী অচৌবা প্রোজেক্ট অমা শানবগী পাঙ্গল লৈতে অমসুং চঙগদবা শেনফম অদুসু শীংনবা অমনি। মরম অদুনা ঐখোয়না মমাঙগী গভর্ণমেন্টকী অরানবা খোঙথাং অদু চুমথোক্নবা ৱারেপ লৌরে।

মেঘৱার্দ ১,২০০ গী বুধি–গন্দাকি প্লান্ট অদুনা নেপালগী হায়দ্রোপৱার প্রদক্সন হান্নদগী শরুক অনীরোম হেনগৎহল্লগনি।

মপানগা লম্বী ফাওনদবা লায়ররবা লৈবাক অসিনা মতম কুইনদগী ইনর্জিগী অৱাৎপা মায়োক্নরি অমসুং য়ূমথংনবা ইন্দিয়াদগী তঙাইফদনা ইলেক্ট্রিসিটি লৈদুনা শীজিন্নবা তাবনি।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা অনৌবা কম্যুনিষ্ট গভর্ণমেন্ট অসিনা ওফিস পায়রকখিবা হেক মতুংদগী প্রোজেক্ট অদুগী কন্ট্রেক্ট অদু অমুক হঞ্জিনহন্নবা বৈজিংনা কাথমান্দুদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিদা কন্না থেন্নকখিবনি।

# তইৱানদা য়ু এস কী খূৎলাই য়োন্দনবা চিনানা দিমান্দ তৌখ্রে

***বৈজিং, সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ***
য়ু এস না তাইৱানদা মিলিটরি খূৎশু–খূৎলাই য়োল্লবদি য়ু এস অমসুং চিনাগগী মরক্তা লৈনবা মরী শাথিনা শোকহনগনি হায়না ৱার্নিং তৌরদুনা য়ু এস না দোল্লর মিল্লিয়ন ৩৩০ গী মিলিটরি ইক্যুপমেন্ট তাইৱানদা য়োনগদৌরিবদু ককথৎনবা চিনানা ঙসি দিমান্দ তৌখ্রে।

চাং–নাইনা পাঙথোকপা শন্নপ্পা পাউদম পীবগী থৌরম অমদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই গেঙ শুৱাংনা পাউশিংদা হায়খি, য়োনগদৌরিবা অদু ইন্টর্নেস্নেল লো থুগায় অমসুং ইন্টর্নেস্নেল রিলেসন্সশিংগী বেসিক নোর্মশিং অদুসু থুগায়। ঐখোয়না য়ু এস কী নাকলদা খূৎলাইশিং য়োন্নবা থৌরাং অসি খুদক্তগী তোক্লবা তকশিল্লি অমসুং চিনা–য়ু এস মরীদা শাথিনা শোকহনগদবা অদু থিংনবা তাইৱান ষ্টেটতা শান্তি অমসুং তংদু–লৈতাবদা কায়হন্দনবা তাইৱানগা তৌনরিবা মিলিটরি কন্টেক তোক্লবা আপিল তৌই হায়না গেঙনা হায়খি।

ৱাসিংতননা তাইৱানগী মীখলদা খনবা গভর্ণমেন্টকা ওফিসিয়েল ওইবা মরী লৈনদে। অদুবু মদুনা মশা ঙাকথোকচনবগী পাম্বৈশিং লৈগদবনি হায়বা য়ু এস লো অদুগী মখাদা থবক চখৈ।

য়ু এস কী ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা তাইৱানগী য়ু এস না শাবা এফ–১৬ ফাইটরশিং অমসুং অতৈ মিলিটরি এয়ারক্রাফ্‌টশিংগীদমক স্প্যার পার্টশিং অমসুং মরী লৈনবা সপ্পোর্ট য়োন্নবগী এপ্রুপ তৌখ্রে হায়না ঙরাং ফোঙদোকখিবনি।

পোৎশিং অদু য়োনবনা তাইৱাননা মশা ঙাকথোকচনবগী শক্তি ফগৎহল্লগনি হায়না য়ু এস না হায়খি।

# সুপ্রিম কোর্টনা হান্নগী পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট মুশারফ হল্লকপদা হায়–লেভেল সেক্যুরিটি পীগনি ৱাশকখ্রে



***ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ***
পাকিষ্টানগী হায়–প্রোফাইল ট্রিজন কেস অমদা ৱায়েল মায়োক্নবা লৈবাক অসিগী হান্নগী দিটেক্তর, জেনরেল প্রভেজ মুশারফনা করিগুম্বা লৈবাক অসিদা অমুক হল্লকপা তারবদি মঙোন্দা হায়–লেভেল সেক্যুরিটি পীগনি পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি থাজবা পীখ্রে।

মশাগী চহী ৭৫ শুরবা মুশারফনা কুমজা ২০১৬ তগী দুবাইদা লৈরকখি। হান্নগী আর্মি চীফ অসি হায়–প্রোফাইল ট্রিজন কেস মায়োক্নরি অমসুং কেস অসিদা মহাকপু ৱায়েন্নবা লীংখৎপা অখন্নবা ট্রায়েল কোর্ট অদুগী মমাঙদা মহাক্না ইতৎ–তত্তনা লাক্তবগীদমক মাবু এবস্কোন্দর ওইনা লাওথোকখ্রবনি।

চীফ জষ্টিস সকিব নিসারনা প্রিসাইদ তৌবা মেম্বর অহুমগী বেঞ্চ অমনা কুমজা ২০০৭ দা নেস্নেল রিকন্সিলিয়েসন ওর্দিনান্স (এন আর ও) চল্লাইখিবগী মতুংদা লৈবাক অসিনা মায়োক্নখিবা অৱাবশিং অদুগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ অমা ঙসি হিয়ারিং চত্থখি।

মদুদা জীফ জষ্টিস মিসারনা মুশারফকী উকিলদা পাকিষ্টানদা মহাক হল্লক্তবগী মরম করিগীনো হংখি। মহাক্কী য়াংলেনগী শৱদা লৈবা অনাবা অমগীনি হায়দুনা মহাক্না লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিবনি। অদুবু হৌজিক মপান লৈবাক্তা মহাক জগোয় শাদুনা লৈবা উই হায়না নিসারনা হায়খি। মদুদা মুশারফগী উকিলনা হান্নগী মিলিটরি লৈঙাকপা অদুনা কোর্টশিংবু ইকায়খূম্নে অদুবু সেক্যুরিটিগী মরমশিংদগী হল্লকপা ঙমদবনি হায়খি।

উকিলগী পাউখুম অদু তারবা তুংদা চীফ জষ্টিসনা করিগুম্বা মুশারফনা লৈবাক অসিদা অমুক হল্লকপা তারবদি মরী লৈনবা প্রোভিন্স অদুদা লৈরিবা রেঞ্জরস ফোর্স অদুগী মকোক অদুনা মুশারফকী সেক্যুরিটিবু দাইত্ব লৌগনি হায়খি হায়না পাকিষ্টানদা নুংতিগী ফোঙবা পাউ চে 'দোন' না হায়খি।

করিগুম্বা মহাক্না অমুক হল্লক্লবদি লৈবাক অসিদা ফংলিবা খ্বাইদগী ফবা ডাক্তরশিংগী সার্ভিসশিং অদু মঙোন্দা ফংহনগনি হায়নসু চীফ জষ্টিস অদুনা অমুক্তা হন্না থাজবা পীখি।

কোর্ট অসিনা মুশারফনা হল্লকপদা মহাক্না লৈবা য়ানবা চাজুম নমদুনা থল্লিবা মাগী ফার্ম হাউস অদুদগী চাজুম নল্লিবা অদু লৌথোক্নবা খঙহনখি।

## GAS TODAY

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 18/07/18
Valid : 17/07/18
Sl. No. 8189
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Leibaklei Gas Kakching**
Booking : 18/06/18
Valid : 10/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Kanchi Indane Service**
Booking : 20/07/18
Valid : 12/07/18
Stk : 306/5kg Available
Rate : Rs. 938/-
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Maibia Gas Moirang**
Booking : 04/07/18
Valid : 02/07/18
Sl. No. 6001 upto 6570
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Yairipok Gas**
Booking : 26/07/18
Valid : 24/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**G B D Gas, Lamlong**
Booking : 26/06/18
Valid : 19/06/18
Stk : 306 CTC
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 12/07/18
Valid : 27/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 09/07/18
Valid : 04/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 03/07/18
Valid : 01/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 04/08/18
Valid : 01/08/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Heirok Gas**
Booking : 14/07/18
Valid : 23/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 12/06/18
Valid : 10/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

## সনা–সুদোকু –১৩০১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | 7 | 9 | 3 | 8 | 6 | 2 | 1 |
| 1 | 9 | 2 | 7 | 5 | 6 | 4 | 8 | 3 |
| 8 | 3 | 6 | 4 | 1 | 2 | 5 | 9 | 7 |
| 2 | 1 | 3 | 5 | 8 | 4 | 9 | 7 | 6 |
| 7 | 8 | 5 | 3 | 6 | 9 | 2 | 1 | 4 |
| 4 | 6 | 9 | 1 | 2 | 7 | 8 | 3 | 5 |
| 9 | 2 | 1 | 6 | 7 | 5 | 3 | 4 | 8 |
| 6 | 7 | 8 | 2 | 4 | 3 | 1 | 5 | 9 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 9 | 1 | 7 | 6 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1302**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | 5 | | 4 | | | | |
| | | | 9 | | 5 | | | 8 |
| | | | 1 | | 6 | | | 5 |
| | 1 | 9 | | | 8 | 3 | | |
| | | | | | | | 7 | |
| | | | | | 3 | 5 | | |
| | | 7 | | 5 | 4 | | | |
| | 2 | | 3 | | | | 9 | 1 |
| | | | | | 1 | | 5 | 6 |

# আধার তঙাইফদবা ওইহনগদ্রা? ঙসি সুপ্রিম কোর্টকী রাই পীরগনি

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ ঃ***
হৌজিক লৈবাকসিগী মীয়ামদা খ্বাইদগী মরু ওইবা দোক্যুমেন্ট অমা ওইনা পীরিবা আধারগী কন্সটিট্যুস্নেল ভেলিদিটি শীংনরকখিবা পিটিসন ২৭ কী রাই অদু হয়েং অয়ুক সুপ্রিম কোর্টনা লাওথোক্লগনি হায়রি।

চাওরাক্না থা ৪ রোম চূপ্না মতম শাংনা হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা চহী অসিগী মে থাদা লৈবাকসিগী মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা রাই অদু রিজার্ব তৌদুনা থমখিবনি। কেস অসিগী হিয়ারিং জনুৱারী থাদা হৌখি অমসুং মরু ওইরবা কেশবঅনন্দা ভারতি কেসকী মথংদা খ্বাইদগী শাংবা ওইনা নুমিৎ ৩৮ নি হিয়ারিং চত্থখি।

কন্সটিট্যুসন এমেন্দ তৌনবগী পার্লিয়ামেন্টকী শক্তি অদু ফন্দামেন্টেল রাইটস পূন্নমক লৌথোকখিবগী ফাওবা য়ৌনা লৈব্রা হায়বসিনা কেস অসিনা ৱাহং তৌরকখিবনি। হিয়ারিং অদু ১৯৭৩ দা থা ৫ চত্থখি।

হন্দক্কী মতাং অসিদা ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা লুচিংবা জজ ৫ গী কন্সটিট্যুস্নেল বেঞ্চ অমনা য়ান্না মরু ওইনা খন্নরিবা হীরম অমা য়েংশিনখি।

ইন্দিয়ান বিল্লিয়ন ১.২ দা পীখ্রিবা দিজিট ১২ গী য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন নম্বর অদুনা রাইট টু প্রাইভেসি হায়বা হৌখিবা চহীদা মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা ফন্দামেন্টেল রাইটস অমনি হায়খিবা অদু থুগাইব্রা হায়বা অদু য়েংশিনখি।

বেঙ্ক একাউন্টশিং, পান কার্দশিং, সেলফোন সার্ভিসশিং, পাস্পোর্ট অমসুং ড্রাইভিং লাইসেন্সশিংনচিংবা ফাওবা য়াওনা সার্ভিস অমসুং ৱেলফিয়ার প্রোগ্রাম কয়ামরুমগীদমক গভর্ণমেন্টনা আধার তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা অমা ওইহনখিবনি। হান্নগী লৈরম্বা অতৈ–অতৈ আইদেন্টিটিগী প্রমাণশিং অদু পূন্নমক তোকথোক্লগা আধারবু আইদেন্টিটি অমসুং রেসিদেন্সকী পুংশুপ শুপ্পা প্রমাণ ওইহনখিবনি।

পেটিস্নরশিংনা মসিদা য়েৎলিবা মরৈদি ফিঙ্গরপ্রন্টশিং অমসুং ইরিস স্কেলশিংনচিংবা অচৌবা বাইওমেট্রিক দাটা বেজ অমগী য়ূম্ফমদা শেম্বা আধার অসি শোয়দনা চঙদবা য়াদবা অমা ওইহনবা য়ারোই হায়বসিনি।

আধার 'লো' না হ্যুমেন লাইফতা শোকহল্লি হায়বা ৱায়েৎ পীরদুনা পেটিস্নরশিং অসিনা মসি মুত্থৎকদবনি হায়না দিমান্দ তৌই। অমরোমদা মসিনা মীওই মিল্লিয়ন কয়াদা বিনিফিটশিং নীংথিজনা য়েম্থোকপা অমসুং ফন্দশিং নারোন্দা হুরানবা থিংবা ঙমহল্লি হায়না সেন্টরদা আধারবু ঙাকথোক্লি।